৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এক্স পোলো ক্লব, চীংখৈহুনবা, খুরাই পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শীন্দুনা মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা মেচতা এক্স পোলো ক্লব, চীংখৈহুনবা অমদি খুরাই পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ৩৪না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা এক্স পোলো ক্লব অমসুং কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল (বি) লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা চক্রদা এক্স পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ৫ অদুগা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলনা পাঞ্জল ২ চনখি।

অনীশুবা চক্রদা এক্স পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ৪ অদুগা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা এক্স পোলো ক্লবনা পূন্না পাঞ্জল ৯-২দা মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা চক্রদা এক্স পোলো ক্লবনা পাঞ্জল ৭ চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ১৬ শুখি। মরিশুবা চক্রদা মখা তানা এক্স পোলো ক্লবনা পাঞ্জল অনী চনখি। অদুগা চক্র অসিদসু কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা এক্স পোলো ক্লবনা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলবু পাঞ্জল ১৮-২দা মায়থীবা পীখি।

এক্স পোলো ক্লবকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু টি ঐচ জেকোব, অতাঙবা, পি ওজিৎ, জোগেন্দ্রনা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী পাঞ্জল অদুনা কে রিসিকুমারনা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (বি) অমসুং ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (বি) লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব (বি)না ইম্ফাল রাইদিং ক্লবপু পাঞ্জল ১৯-২দা মায়থীবা পীখি।

চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু টি ঐচ কাওবা, য়াইখোম্বা, কেকেশ্বর, মনিস্নানা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব (বি) গী পাঞ্জল অদুনা মেঘজিৎনা চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা খুরাই পোলো ক্লব অমদি সন পোলো ক্লব লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা খুরাই পোলো ক্লবনা সন পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-২দা মায়থীবা পীখি। খুরাই পোলো ক্লবকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ও চীংলেন অমসুং এস জোনসন্না চনখি। মায়থীহৌরবা সন পোলো ক্লবকী পাঞ্জল অদুনা কে লময়ানবা অমসুং এম হেরোনা চনখি।

৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# এফ সী তেরানা এস ৱাই পি এ সেকমাইবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনন্না শীন্দুনা ৱাই দল্লীয়ু সিমালোম গ্রাউন্দদা চথরিবা ৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস এফ সী তেরানা এস ৱাই পি এ সেকমাইবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।



তোঙান-তোঙানবা টিম ৭না শরুক য়াদুনা লীগ বেসিসতা চথরিবা ৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ৯শুবা মেচতা এস এফ সী তেরা অমসুং এস ৱাই পি এ সেকমাই লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌরকপগা এস এফ সী তেরানা বোল হেন্না পায়দুনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি।

মেচকী অঙনবা শরুক হায়বদি ২শুবা মিনটতা এস এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৫ ৱাই মোনিসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মোনিসনা চনখিবা পাঞ্জল অদু এস ৱাই পি এ সেকমাইগী মায়কৈদগী অকনবা শাফুগা লোয়ননা হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস ৱাই পি এগী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌবগা এস এফ সী তেরাগী টিমনা অমুকসু বোল হেন্না পায়দুনা ফজরবা এটেক কয়া চথরকখি। শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় অহানবা হাফতা পাঞ্জল চনখিবা ৱাই মোনিসনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মায় পাকপগী লম্বীদা খুমাঙ চাওশিলহনখি। মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ৫৫শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৪ পাওজিনথাংনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেচ অদু ৩-০দা মাঙজিল থাহনখি।

এস এফ সী তেরানা পাঞ্জল অহুম মাঙজিল থাখিবগী খোয়শাওনরবা এস ৱাই পি এ সেকমাইগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা টেক্নিক কয়া শীজিন্দুনা শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। মখোয়গী হোৎনজমল মায় পাকখি। মেচকী ৭৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় এল নিংথৌবা জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-৩দা লৈহনখি। মখা তানা এস ৱাই পি এ সেকমাইগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু শান্নবগী মতম লোইখিবনা শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু এস এফ সী তেরানা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখি।

১৪শুবা এন বলানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯

# এস দব্লিয়ু সী ইশোকনা দব্লিয়ু ৱাই সী য়ূম্নাম খুনৌবু থোইখ্রে, লোক্তাক এফ সী প্রোজেক্ট অমদি এস এল ও পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪শুবা এন বলানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস দব্লিয়ু সী ইশোকনা দব্লিয়ু ৱাই সী য়ূম্নাম খুনৌবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৪শুবা এন বলানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা দব্লিয়ু ৱাই সী য়ূম্নাম খুনৌ অমসুং এস দব্লিয়ু সী ইশোক লম্বা তৌনখি।

মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীনা য়াম্না ফজনা লম্বা চানা শান্নরকখি। মেচকী ১৭শুবা মিনটতা এস দব্লিয়ু সী ইশোককী শান্নরোয় এল ইবোচৌ জর্সি নম্বর ১৭না একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। দব্লিয়ু ৱাই সী য়ূম্নাম খুনৌগী মায়কৈদগী ইবোচৌনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা দব্লিয়ু ৱাই সী য়ূম্নাম খুনৌনা মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা এটেক চথরকখি। অদুবু এস দব্লিয়ু সী ইশোক্কী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা মখোয়গী হোৎনজমন অরেম্বা তাখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা দব্লিয়ু ৱাই সী য়াম্নাম খুনৌনা এটেক কয়া চথরবসু শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু এস দব্লিয়ু সী ইশোকনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা লোক্তাক এফ সী প্রোজেক্ট অমসুং এস এল ও বিষ্ণুপুর লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীনা হেনজিন্নবা ঙম্মদনা লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা অদুদগী তোঙান তোঙানবা টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা এটেকশিং চথনখি। অদুবু টিম অনীগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈনখিবনা হাইজিনবা ঙম্মখিদে। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল চনবা ঙম্মদবদগী মেচ অদু দ্রো চৎখি।

# মণিপুর জীট কুনেদো টিমনা সেকেন্দ রন্নর্স-অপ তারক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): উত্তর প্রদেশকী অগ্রা সিটিদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৮দগী ২০ ফাওবা চথরকখিবা নেসনল সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র, মেন এন্দ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা মণিপুর জীট কুনেদো টিমনা গোল্ড ৭, সিলভর ৫ পূন্না মেদল ১২ ফংদুনা সেকেন্দ রন্নর্স-অপ তারক্লে।




নেসনল সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র, মেন এন্দ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ফিমেল সব জুনিয়র কেটেগোরিগী কেজি ৩১ মখাগী কাঙলূপ্তা মেলিন্দা মোইরাংথেম্মা সিলভর, কেজি ২৮ মখাগীদা হিরুংবম নন্দেশ্বরিনা সিলভর, কেজি ৪৩ মখাগীদা এন জি সনিয়ানা গোল্ড, কেজি ৫৪ মখাগীদা এন রোমি চনুনা গোল্ড মেদল লৌরকখি।

সব জুনিয়র মেন্সকী কেজি ৩০ মখাগীদা কব্রাম্বম ওগষ্টিননা গোল্ড, কেজি ৪২ মখাগীদা লনচেনবা এননা সিলভর, কেজি ৫৪ মখাগীদা এম পৃথিবীরাজ মৈতৈনা গোল্ড, কেজি ৫১ মখাগীদা দব্লিয়ু রাজু মৈতৈনা গোল্ড অমদি কেজি ৫৪ মথক্কীদা এ অবিটনা সিলভর মেদল লৌরকখি।

জুনিয়র মেন্সকী কেজি ৪৭ মখাগীদা এন নেলসননা সিলভর, কেজি ৫৩ মখাগীদা এস কেনেদিনা গোল্ড, কেজি ৫৫ মখাগীদা এল দিনেসনা গোল্ড মেদল লৌরকখি।

# ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): বিহারগী ভি কে এস অরা অমসুং ভরানসিগী বিয়ুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি (মেন এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০দা শরুক য়াগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (মেন এন্দ ৱিমেন) গী টিমদা য়াওগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে।

ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি কবাদ্দি (মেন এন্দ ৱিমেন) টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০দা শরুক য়ানবা খল্লবা নুপামচাগী শান্নরোয়শিং অদুদি সী ঐচ ইন্দ্রজিৎ, ও খেলেন, এল জেমসন, এল বিদুগান, ও সুনিল, ও জেমস, কে ঐচ বোরিস, এল মালেমঙানবা, এন ঙানবা, এস রেক্স, এম মালেমঙানবা, মুতুম নিতাঞ্জিৎনি। অদুগা রিজর্ব ওইনা শরুক য়াগদবা নুপামচা শান্নরোয়শিংঅ দুনা এন লানঙম্বা, এল পিত্রজিৎ, এম অমরজিৎ অমদি ঐচ রোনাল্ডোনি।

নুপীমচাগী শান্নরোয়শিং অদুনা সী ঐচ নাওবী, পি বিন্দিয়ারানি, এস পুস্প, এস য়াইফবী, পিঙ্কি ৱাইখোম, এম রোসি, এ পিয়ারি, এন সোনিবলা, ৱাই মঙাল্লে, ৱাই য়াইশিংখোম্বী, কে ঐচ মেলোদি অমদি বিন্দি এনি। রিজার্ভ ওইনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংনা এন ৱর্লি, অঞ্জলি, ও রোমোনি অমদি রোজনানি। খল্লবা শান্নরোয়শিংনা লাক্লিবা থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

# অনীশুবা অন্দর-১৫ রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): সলাই চেছ একাদেমিনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৬ অমসুং ২৭তা অনীশুবা অন্দর-১৫ রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা একাদেমি অসিদা পাঙথোক্লগনি। হেন্না অকূপ্পা মরোলগীদমক সলাই চেছ একাদেমিগী কন্টেক্ট নম্বর ৯৪৩৬৬১২৮৫২ নৎত্রগা ৭০০২৮৭৩০৮৪দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

অনীশুবা থাদৌ ত্রোফি ২০১৯

# আর পি য়ু পপালনা কাপমবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন্না শীন্দুনা খুলমী গ্রাউন্দ (পল্লেল) দা চথরিবা অনীশুবা থাদৌ ত্রোফি ওপন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা আর পি য়ু (পপাল) না কাপমবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা লীগ বেসিসতা চথরিবা অনীশুবা থাদৌ ত্রোফি ওপন টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা আর পি য়ু পপাল অমসুং কাপম লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু হেক হৌরকপগা আর পি য়ু পপালনা বোল হেন্না পায়দুনা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা আর পি য়ু পপালনা কাপমবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। আর পি য়ু পপালগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু টি সনাজাওবা জর্সি নম্বর ১০, ঐচ ললিট জর্সি নম্বর ১৭ অমদি এম দি অশিপ জর্সি নম্বর ৮না চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা কাপমগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা কুঙদেন জর্সি নম্বর ১০না চনখি।

# বিশ্বানাথন আনন্দগী খুদোংচাবা চাইনাগী ৱাং হোনা মাঙহনখ্রে

দোগ্লাস, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সী): আইজল ওফ মানগী সিটি দোগ্লাসতা পাঙথোকপা ফিদে চেছ দোট কোম গ্রান্দ স্বিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী তরাশুবা রাউন্দদা কেন্দিদেটস টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বানাথন আনন্দা লৈরম্বা অদু চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর ৱাং হাওনা থোইখিবদগী মাঙজখ্রে।



ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বানাথন আনন্দনা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নরকপদা চাইনাগী ৱাং হাওগী মশান্না অদুদা খুদোংচাবা লৌবা ঙমদনা মায়থীবা নংখিবনি।

আনন্দনা গেম অদুগী ২৪শুবা মুভতা য়াম্না খুদোংচাবা ফংলম্বা য়াবা খোঙচৎ অমা মাঙহনখি। লোয়ননা ২৪শুবা মুভতা অশোয়বা খোঙচৎ অমা তৌরুবা অদুনা মরম ওইরগা চাইনাগী গ্রান্দমাষ্টর অদুনা খুদোংচাবা লৌখিবদগী আনন্দ গেম অদুদা ফজরকপা য়াবগী লম্বেল অমত্তা উখিদবদগী রিজাইন তৌখি।

তরাশুবা রাউন্দ অদু লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী আনন্দ পোইন্ট ৬ খক ফংদুনা লৈরি। করিগুম্বা মায় পাক্লম্লবদি পোইন্ট ৭ ফংলগা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা কেন্দিদেটস টুর্নামেন্টকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরমগদবনি। গ্রান্দ স্বিস চেছ টুর্নামেন্ট অদুদা য়ু এস এগী ফাবিয়ানো করোনানা পোইন্ট ৭.৫ ফংলগা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদগী মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা তরাশুবা রাউন্দ অদুদা গ্রান্দ মাষ্টর এস পি সেথুরমননা স্পেনগী এলেক্সি সিরোপপু মায়থীবা পীবা ঙমখি। অদুবু অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং দ্রো চৎপা অমসুং মায়থীবা নংখিবা ঙাক্তনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ফাবিয়ানো করোনানা পোইন্ট ৭.৫ ফংদুনা মাঙজিল থারবা মতুং অতোপ্পা শান্নরোয় ৭না পোইন্ট ৭ ফংলগা অনীশুবা থাক্তা লৈরি। আনন্দ ২৪শুবা পোজিসন্দা হন্থখি।

# ৱর্ল্ড মিলিটরি গেমসতা ইন্দিয়াগী বোক্সর দুরিওধন অমসুং জয়দিপ প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

ৱুহান, ওক্টোবর ২১ (এজেন্সী): চাইনাগী সিটি ৱুহানদা পাঙথোক্লিবা তরেৎশুবা ৱর্ল্ড মিলিটরি গেমসকী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা বোক্সিং দিসিপ্লিনগী বাউটশিংদা মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী বোক্সর দুরিওধন সিংহ নেগি অমসুং জয়দিপ মখোয় মখোয়গী ৱেট কেটেগোরিগী বাউটশিংদা মায় পাক্তুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মমাঙদা ইন্দিয়াগী নেসনল চেম্পিয়ন ওইরম্লবা দুরিওধন সিংহ নেগিনা কিলোগ্রাম ৬৯গী কেটেগোরিদা ইজিপ্টকী বোক্সর হিকল মোহম্মদপু ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। নাকল অমরোমদা কিলোগ্রাম ৭৫গী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী জয়দেপনা কটারগী বোক্সর নবা অহম্মদপু ৫-০দা মায়থীবা পীরগা মহাকসু প্রী ক্বার্টর য়ৌখি।

থাংজ নুমিত্তা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট অমিট পঙ্গলনা কিলোগ্রাম ৫২দা মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি।

# ত্রায়ল য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): চহীসিগী দিসেম্বর ২দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৮শুবা ওপন নেসনল রোয়িং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী রোৱর খন্নবগীদমক থা অসিগী ২৩দা মোইরাংগী টকমু ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী থা অসিমক্কী ২৫দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

সভেন এ সাইদ ভিলেজ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# কাংমোং এফ সী, ৱাই দি এস য়ু কে, ঙাইরাংবম, এলকেএসয়ু মায়পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট ষ্টুদেন্ট ক্লব খুম্বোংনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সভেন এ সাইদ ভিলেজ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কাংমোং এফ সী, ঙাইরাংবম, এল কে এস য়ু লোইতাং খুনৌ অমদি ৱাস ও এস য়ু কে খাবি মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা সভেন এ সাইদ ভিলেজ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা কাংমোং এফ সীনা লৈহাও এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

কাংমোং এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু কে ঐচ জোনসন অমদি এস রোহিটনা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা লৈহাও এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা সী ঐচ ঙৌবনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ঙাইরাংবমনা রতন জেল্লরিবু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীখি। ঙাইরাংবমগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু অজিৎ অমদি সুরেসনা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা রতন জেল্লরিগী পাঞ্জল অদুনা ইনাওতোন অমসুং সুরেসনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা গ্রাউন্দদা এল কে এস য়ু লোইতাং খুনৌ অমসুং য়ুরেম্বম এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এল কে এস য়ু লোইতাং খুনৌনা য়ুরেম্বম এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। এল কে এস য়ু লোইতাং খুনৌগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মিষ্টর সনা অমদি মিষ্টর রবিনা চনখি।

সভেন এ সাইদ ভিলেজ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী অরোইবা অমদি মঙাশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই দি এস য়ু কে খাবি অমসুং মঙাল এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌরকপগী ৱাই দি এস য়ু কেনা বোল হেন্না পায়দুনা য়াম্না লাকচনা শান্নরকখি।

ৱাই দি এস য়ু কে কৈবি অমসুং মঙাল এফ সী লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদু হৌবদগী লোইবা ফাওবা ৱাই দি এস য়ু কে কৈবিনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ৱাই দি এস য়ু কে কৈবিনা মঙাল এফ সীবু পাঞ্জল ১০-০দা মায়থীবা পীখি। মায় পাক্লবা ৱাই দি এস য়ু কে কৈবিগী পাঞ্জলশিং অদু কে রোবিনসন, এল বোল্লেন, ঐচ চাউবা অমদি সী ঐচ সুরেসনা চনখি।



HL-B/5751/19,20,21...



HL-P/5005/18-31/1-20 nov.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com